হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.165 ইরাই, থৱান ২৭ নি পানবা, অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Friday, September 07, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

# PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)গী

# 13th Annual Day না লাকপদা মীয়ামদা নুংঙাইরবা পাউজেল... ।।

## পান্থোইবী ইমা–ইবেম্মনা মহাক্কী মচা–মশুশিং ওইজরিবা ঐখোয় পূম্নমক্তা অসুম্না তাকপীরি–



**THOKCHOM HEMO SINGH**
CHAIRMAN AND MANAGING DIRECTOR

ইচাশা, ইশুশা নখোয় পূম্নমক অহল–লমন, ওজা, লাই–গুরু মশক খঙউ। থকশি–খাসি, থৌগল্লোন ব্যবহার ঙাক্লা চৎলু। শুবা– নোম্বা কল্লু, নশাদা অতনবা লৈগনু। পুন্সিগী থৌদাং মুন্না খঙঙু। ফজবা লমচৎ–শাজৎনা নশা–নশাগী নীংথিজবা লৈতেং ওইহল্লু। অতোপ্পদা ওইদবা ঙাংগনু, মীনম শোরি তৌগনু, মীগী তৌবীমল কাউগনু, হেন্না হেন্না নীংশিংবগী ৱাখল্লোন লৈয়ু। ঙল্লোইদবা, ওইরোইদবা লাম্বদা ৱাগদবা থবক থৌরমশিং খক অশা তৌগনু। অরেম্বদা মতম মাঙহনগনু, নশানা নশাবু শক খঙজৌ, ওইরোইদবা মঙলান শাগৎকনু, সমুদ্র শিংকে খনগনু। শুপ্নগী মিনিট অমদা, পুং অমদা নৎত্রগা নোংমদা হেক্তমক খঙনুং নুংঙাইরগে মায় পাক্লগে খনগনু, মাই পাক্নবগী অশম্বা লম্বী লৈতবনি কাউগনু। করিগুম্বা থবক অমা পায়খৎত্রিঙৈ, হৌদ্রিঙৈদা ৱাখল মুন্না খল্লু। নশানা ঙমগনি খল্লগা হায়দোকখিবা ৱা ঙাকউ। নশাগী নরাল কুপশিল্লগা অতোপ্পদা মরাল থংজিনগে খনগনু, নশাগী নথৌ খঙঙু, অখাং কল্লু, নখোয় মশেল মরম ওকপা তানৌ, অখঙ–খঙদা অহে–হৈত তাথোক তাশিন তৌনৌ, পুন্সিসে থবক্লি খল্লু। অমগা অমগা থাগৎ ৱাহে থম্নৌ। তৌগদবা থবকশিং খক্তমক তৌ। অতোপ্পদা শোক্কদবা, ওইরোইদবা থবক থৌরমশিং অমত্তা পুন্সিদা তৌগে পাঙথোক্কে খনগনু। মীগী মাঙনবা খল্লবদি নঙ ওইনা মাঙগনি। মীগী ফনবা খল্লবদি নঙগীসু হেন্না অফবা ওইগনি কাউগনু। নশাদা নাপল য়াওগনু করিগুম্বদা নাপল য়াওরবদি মদুনা ওনশিল্লক্তুনা নশাদা তমথিনা চিক্লক্কনি। নঙগী তমথিরবা নাপল অদো নঙগী পুন্সিগী খ্বাইদগী অচৌবা য়েক্নবনি কাউগনু। নোল্লুকপগী হৈনবী লৈয়ু। মসিনা পুন্সিগী খ্বাইদগী অথোইবা গুন্নি কাউগনু। নাপল অমসুং অতনবা অনী অসি নশাদগী লাপ্না লংশেকখো। ইমানসু ইচা–ইশুশিংদা অমুক্কসু হন্না হায়রি– নাপল অমসুং অতনবা অনীমক অসিনা নখোয় নখোয়গী পুন্সিগী খ্বাইদগী তমথিবা অচৌবা য়েক্নবনি কাউগনু।

ইরমদম ইজাতি অসিবু হেন্না হেন্না চাওখৎ লম্বীদা লাক্তুনা থোইদোকপা অৱাৎ অপা লৈতনা ঈংনা–চিক্লা, শান্তি লৈনা, মরা তপ্না, নুংঙাই–য়াইফনা পানবা ঙম্বা অদুগুম্বা ইরমদম, ইজাতি অমা ওইরক্নবগীদমক ইমানা ইচা–ইশুশিংদা পীগদবা খ্বাইদগী মরুওইবা লাইৱা মন্ত্রদি ঃ

*পুন্সিদা অহল–লমন, ওজা–লাই গুরু মশক খঙঙু।*

*পুন্সিদা অতনবা থাদোকউ।*

*পুন্সিদা নাপল থাদোকউ।*

ইমা–ইবেম্মনা মচা–মশুশিং ঐখোয়দা তাকপীরিবা মমল য়ামখ্রবা লাইৱা মন্ত্র অহুম অসিখক্তনা ইরমদম অসিদা ঈংনা–তপ্না, শান্তি লৈনা, ৱাত্ত–পাদনা, তংদু– লৈতানা, পুক্লিং ৱাখল মকা লাম্না, নুংঙাই য়াইফনা পানগনি। নোংমদি মালেমগী চাওখৎ–লমজেলদা ঐখোয় শোয়দনমক্কী শরুক য়াবা ঙম্লক্কনি। মতমগী মতুংইন্না চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিল থাবা ঙম্লক্কনি।

‘পান্থোইবী’ ইমা–ইবেম্মগী কোলোই মিংলেনবু লৌজদুনা হৌখিবা **7th September, 2005** তা তৌৱাংবম লৈকায়, উরিপোক ইম্ফালদা লিংখৎচখিবা Under the companies Act, 1956 in the Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India গী মখাদা হৌখিবা 19th January, 2006 তা রেজিষ্টার তৌজখিবা, NATIONAL HOUSING BANK (NHB), Wholly Owned by Reserve Bank of India (RBI) না North Eastern Region of India গী Housing Finance Company (HFC) অমা ওইনা হৌখিবা 1st October, 2009 দা মখোয়গী মমল য়াম্লবা License অদু ইশু তৌবীরকখ্রবা, পীবীরকখ্রবা অদুগা মখা তানা Ministry of Finance Department of Financial Services, Government of India না Securitisation and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest (SARFAESI) Act 2002 গী মখাদা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসন অমা ওইনা হৌখিবা 18th December, 2015 দা রিকগনিসন পীবীরকখ্রবা অৱাং নোংপোক ভারতকি হায়বদি নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ওফ ইন্দিয়াগী ইহান হানবা First Housing Finance Company (HFC) অমা ওইখ্রবা ঐখোয় মণিপুর মীয়ামগী মমল য়াম্লবা অশেংবা লনগৈ, Asset অমা ওইরবা ঐখোয় পূম্নমক্কী ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুট অমা ওইরবা **"PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)"** অসি ঙসি 7th September, 2018, য়াইফরবা ইরাই নুমিৎ অসিদা চহী ১৩ চপ চানা মপুং ফাজরে। ঙসি অসি কম্পনি অসিগী ১৩শুবা ফাউন্দেসন ডেনি।

য়াইফরবা ঙসিগী নুমিৎ, কম্পনি অসিগী 13th Annual Day না লাকপদা অহানবমক্তদা ঐখোয় তাইবঙ পানবা পূম্নমকপু শেম্বীরিবা শকউদবা ঈশ্বর ইবুংঙো মপু মহাক্কী চরন খুয়াখাদা খুরুমজরি। পান্থোইবী ইমা ইবেম্মগী চরন খুয়াখাদা খুরুমজরি। অনীশুবদা ইরমদম অসিদা লৈবীরিবা অহল–লমন, ওজা–লাইগুরু, ইপা–ইপল, ইমা–ইবেল, ইচে–ইনেমশিং পূম্নমকপু "PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)" অমদি কম্পনি অসিগী Owned subsidiary Group of Company শিংদা থবক শুজ– নোমজরিবা নচা–ননাও, নচলশিং, নশুশিং ঐখোয় পূম্নমক্না ইকায় খুম্নবা উৎচরি, খুরুমজরি লোয়ননা ইচিল–ইনাও, ইচে–ইচলশিং খুদিংমকপুসু ইকায় খুম্নবা উৎচরি। ঐখোয় পূম্নমকপু ঈশ্বর ইবুংঙো মপু মহাক্না থৌজানবীবা ওইরসনু।

মণিপুর জাতি ঐখোয় পূম্নমক্কী পোক্নফম লমদম অমা ওইজরিবা সনা লৈবাক ইরমদম মণিগী লৈবাক মণিপুরনি ঐখোয়গী। য়েংলু য়েংলুবা খুদিংদা অৱাৎপা হায়বদো মচেৎ অমত্তা লৈত্রবা পুক্লিং হুনা ফজখ্রবা মহৌশা লাইরেম্বী প্রকৃতি ইমাগী ফজখ্রবা শক্তমনি ঐখোয়গী। ইরমদম অসিবু হেন্না হেন্না অফবা মায়কৈরোমদা পুরক্নবা হোৎনবা, পুরকপা হায়বসি ইমাগী মচা–মশু ওইজরিবা নহা ওইরিবা ঐখোয়গী শোয়ফদ্রবা ইথৌদাংনি। ঙসিদি ইরমদম অসিগী প্রজা পূম্নমক্কী লাইবক ফবা হায়জবা তারে।

ইরমদমসিগী সোইলদা, লৈবাক লৈহাওদা লিংখৎচখিবা ফাইনান্স কম্পনি অসি ইরমদম মণিপুরদগী চৎখ্রগা ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা এক্সপান্সন তৌবা য়ারে। ইন্দিয়াগী মপানলম হায়বদি তোঙান তোঙানবা অতোপ–অতোপ্পা কন্ট্রিশিংদসু এক্সপান্সন তৌবা য়ারবা ফাইনান্স কম্পনি অমা ওইরে। ইরমদম মণিপুরগী ভেলি এরিয়াগী ওইনদি ব্রাঞ্চ হাংবগী থবক লোইশিঙ্করে। ঙসি ঙসিমক অপূনবা ব্রাঞ্চ মশিং ১৩ শুজরে। অসামগী সিলচরদসু ব্রাঞ্চ ওফিস অমা হাংদোকচখ্রে। মখা তানা গুৱাহাটিনচিংবা অসামগী মফম চাবা জগা–জগাশিংদা ব্রাঞ্চ ওফিসশিং মথং–মথং হাংদোকচরগনি। ত্রিপুরানচিংবা অতৈ নোর্থ ইষ্টকি ষ্টেটশিংদসু এক্সপান্সন তৌজরক্লগনি। মদুগী মতুং তারকপদা কন্ট্রি অসিগী অতৈ ষ্টেটশিংদসু মথং মথং হাংদোকচরক্লগনি। মতমগী মতুংইন্না Out of the Country হায়বদি Neighbouring Country শিংদসু মথং মথং এক্সপান্সন তৌজরক্কদবা অমখক্লি। অদুবু খুদিংমক হায়বদদি লোইনমক লাই। লুরিবদি থবক্তা ওহ্নোরকপদুনি। Rome was not built in a Day হায়বদুনি। মতাং চানা মতম চানা থবকশিং মথং মথং পাঙথোকচরক্কদবা অমখকনি।

অহল–লমন, ওজা লাইগুরুশিংগী ইথক– থোংবশিংগী মখোয়গী মমল নাইদ্রবা পাউতাকশিং, সজেসনশিং লৌদুনা নহা ওইরিবা ঐখোয়না তঙাইফদনা খঙমিন্নগদবসি–Life is work, Work is Worship, Everything depends on Hard Work, Hard Work is the key to Success, There is no any substitute for Hard Work, There is no short cut to Success, Rome was not built in a day, Honesty is only the policy to get any kind of Grand Success in our Life. The way of Success is not Smooth, Success is not a bed of roses, Life is full of struggle and challenges, Knowledge is power, Ideas rule the world... হায়বনচিংবগী ৱাখল্লোনশিং ঐখোয় পূম্নমক্তা লৈমিন্নবগা লোয়ননা করি অমুক মথৌ তারিবগে হায়বা তারগদি–ঐখোয় ঐখোয়গী Discipline, Moral, Character, Behaviour, Sincerity, Honesty, Commitment, Work Culture, Punctuality, Perseverence, Strong Determination, Self confidence, Dignity of labour, Passion, patient, will power, Mutual understanding, Mutual Respect, Sacrificing spirit, sense of appreciation, Transparency, courage পঞ্জরিবা ৱার্ড খুদিংমক sentence খুদিংমক One by one Digest তৌবা চঙই। মনুং থিৎনা খঙবা তঙাইফদনা দরকার ওই। চুম্নগী ৱাহৈশিং ওইনা শৈরেংগী মওংদা চিনফা পুবনদি ঐখোয়দা কান্নবা ফংলোই।

ঙসিদি গ্লোবেলাইজেসনগী মতমনি। ঙসিগী পৃথি মালেমসিমক Global village অমনি হায়না খন্নরক্লবা মতমসিদা ঐগী, মাগী, নঙগী হায়বা অখুবা অপীকপা ৱাখল ঐখোয়দা লৈবা হৌনদে খঙ্গে।

ঐখোয় মণিপুরী জাতি পূম্নমক্কী পোক্নফম লমদম অমা ওইজরিবা সনা লৈবাক মণিপুর অসি

Very Beautiful State নি
Very Wonderful State নি
Very Small State নি

মহৌশা লাইরেম্বী প্রকৃতি ইমা ইবেম্মগী ফজখ্রবা শক্তমনি ইমা লৈবাক ইরমদম মণিপুর অসি। য়েংলু য়েংলুবা খুদিংমক্তা মিৎফম হোংবা য়াদ্রবা ফজবা নিংথিবতনা পীক থল্লবা তুংনফম ওইরবা ইরমদমসে অমুক্তংদি ঈশ্বর খুরুমিন্নরগা ঐখোয় পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা চাওখৎপা, নুংঙাইবা, শান্তি লৈবা, ঈংনা–চিক্লা পানবা ঙম্বা অদুগুম্বা ইরমদম ইজাতি অমা ওইহল্লক্নবা হোৎনমিন্নরসি।

May God bless us.

ঙসিদি ইমা ইবেম্মা পান্থোইবীনা মচা–মশুশিং লৈজরিবা ঐখোয়বু নুংশিবীরে, চানবীরে। মসিগী ময়েক লারবা খুদম অমা হায়জরগদি– ইমা ইবেম্মগী মিংলেনবু লৌজদুনা মিংথোঙ্জদুনা লিংখৎচখিবা ঐখোয় পূম্নমক্কী নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল লেবেলগী থাক্তা লাকখ্রবা "PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)" নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ওফ ইন্দিয়াগী First Housing Finance Company অমা ওইখ্রে। কম্পনি অসিগী মখাদা–

1) **Panthoibi Microfin (PM)**
2) **Panthoibi Constructions Pvt. Limited (PCL)**
3) **Panthoibi Nidhi Limited (PNL)**

মথংশিংনা subsidiary কম্পনিশিং ওইনা লৈজরে।

ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর শ্রি নরেন্দ্রা মোডিজিনা হৌদোকপীখিবা ফজখ্রবা স্কিম "Pradhan Mantri Awas Yojana-Credit Linked Subsidy Scheme (PMAY-CLSS), Housing for All by 2022 Mission" অসিগী মখাদা মথংশিংনা First Time, Second Time, Third Times MoU শিং নেসনেল হাউসিং বেঙ্কনা Central Nodal Agency ওইদুনা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্ট অমসুং "PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHCL)" অনীগী মরক্তা সাইন তৌনদুনা ঙসি ঙসিমক ইরমদম অসিগী অর্বান এরিয়াদা লৈবীরিবা Economically weaker section (EWS), Low Income Group (LIG), Middle Income Group (MIG)-I অমসুং II গী কেটগোরিদা লৈবীবা প্রজা মীয়ামদা লুপা লাক্ষ ২.৬৭ কি সবসিডিগী ওইবা ফজখ্রবা এমাউন্ট অসি য়াওরগা সবসিডাইজ হোম লোনগী খুদোংচাবশিং লেপ্পা লৈতনা পীদুনা লাকচরি। ঙসি ঙসিমক পীবগী থবক কন্না চথজরি। মখা তারকপদা "Pradhan Mantri Awas Yojana -Gramin" গী মখাদা রুরেল এরিয়াদা লৈরিবা প্রজা মীয়ামদসু লেপ্পা লৈতনা সবসিডাইজ হোম লোনগী খুদোংচাবশিং পীজরি।

মতৌ অসুম তৌনা রিগুলার হোম লোন, সবসিডাইজ হোম লোন, মখল মখলগী ওইবা বিজিনেসগী লোননচিংবশিংগী খুদোংচাবশিং মীয়ামদা লেপ্পা লৈতনা পীজরি। মীয়ামগী সেবিংগী অমসুং ইনবেষ্ট তৌনবগী খুদোংচাবশিংসু থমজরি।

ঙসিদি ইরমদম অসিগী সোইলদা, লৈবাক লৈহাওদা লিংখৎচখিবা ফাইনান্স কম্পনি "PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHCL)" অমদি মাগী Subsidiary Group of Companies শম্না PANTHOIBI GROUP OF COMPANIES না ইরমদম অসিগী ইরৈবাক অসিগী শেল–থুমগী ওইবা ফাইনান্সিয়েল সেক্টরদা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙমজখিবগা লোয়ননা ইরমদম অসিগী মেক্সিমম ফাইনান্সিয়েল সোলুসন অমদি মেক্সিমম ইমপ্লোইমেন্ট সোলুসন পুরক্নবা হোৎনজবদা অচৌবা থৌদাং অমদি লৌজরগনি।

মীয়াম পূম্নমকপু অমুক্কা হন্না খুরুমজরি, থাগৎচরি।●

HL-B/4838/7

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫